
# এক্সকী ঐগ্যা ইবোহল শর্ম্মা

*অদুঙৈ শম্বল ৱাংমা ৱাংমগী ৱারী,*
*ময়েকপু শেংনা তাবা ঙমদবা*
*অনীগী মরক্তা খেন্নবা নঙ খঙবরা ? খঙদে।*
*অদুদি -মীগী মপাউ তমগনু,*
*নঙগী ঐগী নুংশি ৱারী লিয়ু।*
(ফিলমঃ **শম্বল ৱাংমা**- অইবাঃ **কে ইবোহল শর্ম্মা**)





***ইম্ফালগী*** পাউনা কৈথেল মশাং অসিদা ফোটো ষ্টুডিও কয়া লৈরম্মী। মমিং লৈখিবা ফোটো ষ্টুডিও খরদং নীংশিংজরবদা, সিটি ফোটো ষ্টুডিও, শর্ম্মা ফোটো ষ্টুডিও, মোর্ডন ফোটো ষ্টুডিও, ক্বিক ফোটো ষ্টুডিও, পুর্ণি ফোটো ষ্টুডিও, অরুন ফোটো ষ্টুডিও, ৱাইদ এঙ্গল ফোটো ষ্টুডিও, ইষ্ট এন্দ, ইবোতোম্বী ফোটো হাওস (আই পি ঐচ), এক্স ফোটো ষ্টুডিও অমদি সিনি ষ্টিল ফোটো ষ্টুডিও অসিনচিংবনি। (অতৈ ৱাৎহৌবা কয়া লৈ)। মতম অমা, হায়রিবা ফোটো ষ্টুডিওশিং অসি মমিং য়াম্না লৈখি। মতম অদুগী ফোটো অসি কেমিকেলদা প্রোসেস তৌবা ঙাক্তনি। মতম শাংনা চৎনরকখিবা কেমিকেল প্রোসেসকী প্রডক্ট অসি তপ্না তপ্না ডিজিটেলগী প্রোসেসতা লাকখি। ফোটো ষ্টুডিও ময়াম অসিগী মনুংদা **এক্স ফোটো ষ্টুডিও** হায়রগা খঙনখিবা কোঙ্গ্রাইলাৎপম ইবোহল শর্ম্মনা প্রোপাইটর ওইনা চলাইজবা ষ্টুডিও অসি লমদম অসিদা য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইখি। ঐগ্যা ইবোহলবু মী অয়াম্বনা কোঙ্গ্রাইলাৎপম ইবোহল হায়রগা খঙনদে। অঙাংদগী অহল ফাওবনা মহাকপু **এক্সকী ঐগ্যা ইবোহল** হায়রগা হেন্না খঙনখি। এক্সকী ঐগ্যা ইবোহল হায়রিবসি মহাক্না হাংদোকচবা **এক্স ফোটো ষ্টুডিও** হায়বা অসিদগী অমুক মীয়াম্না খঙনদুনা থোনখিবা মমিংনি।

**এক্স ফোটো ষ্টুডিও** হায়বসিদি ঙসিসু অদুম লৈরি। মচা ইবুংঙো কে.বিমোল শর্ম্মনা মৈনা ৱাই তাংনা শম ওইনা শমথজহৌরি। **ঐগ্যা ইবোহলগী এক্স ফোটো ষ্টুডিও** অসি ঙসিদি পাউনা কৈথেলগী পরিংদা, মণিপুর সিনেমাগী অচৌবা মফম অমা ওইনা লৈরম্মী হায়বসিদি কাওনরক্লি। ঙসিগী মণিপুরী সিনেমাদা শরুক য়ারিবা, হৌরক্লিবা মীরোল অয়াম্বা **এক্সকী ঐগ্যা ইবোহলনা** মণিপুরী ফোটোগ্রাফিগী লমদা, মণিপুরী সিনেমাগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্মী হায়বসি খঙজদবনা অয়াম্বা ওইগনি। চহী খরগী মমাঙদদি,মীচম অমদগী হৌরগা মশক নাইবা স্কোলারশিং,অহল-লমন অয়াম্বনা ঐগ্যা ইবোহল মমিং তাদবা মশক খঙদবা য়াওখিদে হায়বমক য়াই। মহাক্তা নক্করম্বা, চৎমিন্নরম্বা কয়া অমসু লৈখিদবা য়াওরবনি। লৈহৌরিবা কয়া অমনসু মহাকপু কাওনরক্লি। এলাংবম নীলকান্তনা হায়খি, **‘শাংখ্রবা পাউনা কৈথেল অসি খোংনা লাকপদা, এক্স ঐগ্যা ইবোহলগী ফোটো ষ্টুডিও মপা হেক য়ৌরকপদা মতোমদা খোংথাং লেপচরকই। মাগী দুকান লান্থোক্লগা চৎনিংদে হেক্তা চঙনিংই। মহাক্কী দুকানসি, চা গ্লাস অমা থকম্নিরগা মণিপুরগী কলা সংস্কৃতিগী ৱারী ৱাতায় ঙাইহাক শামিন্নফম মফম অমনি।’** এক্সকী ঐগ্যা ইবোহল ফোটো ষ্টুডিওদা চঙখিদবা মী লৈমরলোই। ওফিস কুমলকপা কাঙবু, কৈথেল হাইগৎলকপা কাঙবু, চুম্না মহাক্কী মনাক্তা ষ্টুডিওদা লাকপা কাঙবু মী মখল শুনা তিনফম্নি। লাকখিবা ময়াম অদুগী চা ঐগ্যা ইবোহলনা লৈরগা লোয়নমক পীথক্কনি। ঐগ্যা ইবোহল তুমিন্না লৈরোই। ময়াম অদুবু ওক্করম্লগা মাগী তৌফম থোকপা দাকরুমগী ফোটো প্রোসেস ময়াম অমা, ফোটো চাম্বা, ডিভেলপ তৌবা, প্রিন্ট লৌবা, কোইচেন চেন্দুনা তৌহৌগদৌরিবনি। অমুক দাক রুমদগী চেন্থোরক্লগা মনা পামজবা ৱারী-ৱাতাই ঙাইহাক অমুক লাক্লিবা মীশিং অদুগা ওনশিন্নদুনা শান্নরমগনি। মসি নোংমা খক্কী ৱা নত্তে, থাদা নত্তে। শাংলবা চহী কয়া মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা তৌজরকখি।

লমদমসিদা, মণিপুরী সিনেমা চাউখৎনবা হোৎনবদা লমদমসিগী কলা-সংস্কতিবু নুংশিবীবা ওঝাশিং, স্কোলার কয়া লৈরমখি। মীওইশিং অয়াম্বনা ঐগ্যা ইবোহলগী ফোটো ষ্টুডিওদা নোংমগী মনুংদা নুংথিলদা ঙাইহাক্তা ওইরবসু লাক্করম্মী। মণিপুরদা তঙাই ফদনা ফিল্ম ইন্সটিট্যুট লৈহনবা, ফিল্ম নম্নবা ইক্যুপমেন্টশিং লৈহনবা, এডিটিং ষ্টুডিও লৈহনবা অসিনচিংবসিগী মরমদা **ঐগ্যা ইবোহল**নগী অচৌবা মঙলান কয়া লৈরকখি। ঐগ্যাগী ষ্টুডিওদা লাকখিবা লাইরিক হৈবা স্কোলার, পণ্ডিৎ, ওঝা,প্রোফেসর,দাক্তর,ইঞ্জিন্নিয়র,পুলিস,দ্রামা য়াওবা,শুমাং লীলা য়াওবা,ক্রিটিক,অইবা, অইবী, খোংজোম পর্ব্ব শকপা মীওইশিং ফাওবা চিৎথদ্রে মশীঙ শুরে, মখোয়গা লোয়ননা ৱা কয়া খন্নখি। মহাক্কী মঙলান অপাম্বা ফোঙদোক্তুনা লাকখি। মহাক তুমিন্না লৈবা হৈনদে। চৎনা চৎনা থবক তৌই। চৎনা চৎনা ৱাখল খল্লি। মাগী কা অদু থুংনবা চৎলগা, খুৎনা থবক অমা তৌরগা লুখ্রবা মণিপুরী সিনেমা চাউখৎনবা পোরম কয়া য়াৎলকখিবা **এক্সকী ঐগ্যা ইবোহল শর্ম্মনি**। ৱাখল মান্নবা মণিপুরী সিনেমা চাউখৎহনবা পামজবা, সিনেমাবু ইন্দষ্ট্রি অমা ওইহনগদবনি হায়বা অসিদা নুংতীগী মী মখল শুনবা ঐগ্যাগী নাক্তা তিল্লখিবা মশীঙ নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। মসিদনি মহাক্কী ষ্টুডিওদা মণিপুরী সিনেমাগী, ৱা তান্নফম,পূনফম,ময়ামগী মরুওইবা মফম উন্নফম ওইরকখিবসি।

**ঐগ্যা ইবোহলগী** দুকান্দা ফোটো ষ্টুডিও ওইবগী মথক্তা মহাক্না অহেনবা কা লৌরগা ভারা পীদুনা মহাক্কী ষ্টুডিও মনুংদা মীটিং তৌফম, ক্লাসরুম ফাওবা লৈহল্লকখি। নহারোলশিংদা ফিলমগী ট্রেনিং পীনবা ফিল্ম ইন্সটিট্যুসন হাংখি। নহারোল ফিল্মগী টেক্নিকেল লাইন্দা থৱায় য়াওবশিংবু ইন্সটিট্যুসন অসিদা ফোটোগ্রাফি ট্রেনিং পীদুনা পাস আউট মহৈরোই কয়া পুথোকপীখি। ইন্সটিট্যুসন অসিগী ফাউন্দর ঐগ্যানা ওইখি। লাইময়ুম দাউজি শর্ম্মনা ভাইস প্রিন্সিপালনি । ফিল্মগী ইন্সটিট্যুসন হাংবদা নত্তনা মণিপুর ফিল্মগা মরী লৈনবা অতৈ থবক কয়া পায়খৎপা ঙম্নবা, **মণিপুর সিনি ডিভেলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ** লীংখৎখি। হায়রিবা ময়াম অসি ঐগ্যা ইবোহলগী এক্স ফোটো ষ্টুডিও, পাউনা কৈথেলদা লৈবা দুকান অসিদা ওফিসসু ওইখি। ফিল্ম ৱার্কশোপ পাঙথোকলকই। ফিলম কাপ্তুনা নৈনফম ওইরকই। চহী খুদিংগী মেগী তাং অমা **‘ফিলমগী লমদা শক্নাইরবা আর্টিষ্টশিংবু নীংশিংবা নুমিৎ** হায়দুনা **মণিপুর সিনি ডিভেলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটে**না শিল্লগা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি। থৌরম অসিদা, মণিপুর ফিলমদা খোঙদারকখিবা অহল-লমন, টেক্নিসিয়ান্স, শক্তম লাংখিবা লাংখিবীশিংবু নীংশিংবা,ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা ওকচবনি। অহানবা ওইনা মণিপুরী ফিলমগী পুপু শাবা ইংঙুদম মঙ্গী (**ইমাগী নিংথেম** ফিল্মদা ‘পুপু’ শাখিবদগী পুপু হায়ন খঙনখিবা) দা শোক ১৯৮৭ সোসাইটি অসিনা ইকায়খুম্নবা উৎচবগী থৌরম অমা পাংথোকপা হৌরকখি। মথং মথং চৎথরকপা ওইনা শোক ১৯৮৮, লাইশ্রম নেত্রজিৎ, (**ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা** ফিলমদা মপা শাখিবা), শোক ১৯৯৮৯, শামদ্রাম নিংঙোল তোন্দোন (**ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু** ফিল্মদা মবোকশি শাখিবা, **খোঙ্জেল** ফিল্মদা মমা শাখিবগা লোয়ননা বেষ্ট সপোর্টিং এক্রেস ফংখিবীনি। **কোম্বিরৈ** অমদি **সনাকৈথেল** ফিল্মশিংদসু শক্তম লাংখি।) শোক ১৯৯০ দা এস এন চান্দ (**ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা** ফিলমদা মেল রোল ব্রোজেন্দ্র শাখিবা), শোক ১৯৯১দা হোদাম বীরচন্দ্র, ময়াম্না ‘ইবোহল মচা’ হায়রগা খঙনবা (মাইনু পেমচা ফিল্মদা এসিষ্টেন্ট কেমেরামেন ওইখিবা) অমদি লাইময়ুম থম্বাল অঙৌবী (**মাইনু পেমচা** ফিলমসিমক্তদা পেমচা শাখিবী) হায়রিবা মণিপুরী ফিল্মগী লময়ানখিবশিং অসিবু ঐগ্যা ইবোল শর্ম্মা অমদি মহাক্কী কাঙবুনা শেমখিবা **মণিপুর সিনি ডিভেলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটে**না অচৌবা থৌরম অমা ওইনা লেপ্তুনা পাঙথোকলকখি।

**মণিপুর সিনি ডিভেলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটে** অসিগী ফাউন্দর প্রসিডেন্ট পাউনম অচৌনা ওইখি। শোক ১৯৭০গী অথেঙবদা লীংখৎলকখিবা **মণিপুর সিনি ডিভেলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটে**কী শাংলবা ইতিহাস লৈরি। ঐগ্যা ইবোহলনা মরুওইবা থৌদাং লৌরকই। মোইরাংথেম নীল্লমনিনা প্রসিডেন্ট ওইরকখি। মণিপুরী ফিল্ম অসি ইন্দষ্ট্রি অমা ওইনা শকখঙনবা কন্না হোৎনরমখি। শোক ১৯৭০গী পরিং অসি মণিপুরী সিনেমাগী য়াম্না মরুওইখিবা তাঙ্ককনি। মণিপুরগী রাজনিতি তৌবশিংগী মনুংদা ইকায়খূম্নজরিবশিং- য়ংমাসো সৈজা, রিশাং কৈশিং, ডা. এল চন্দ্রমণি, ডা. মোইরাংথেম নরা, রাজকুমার দরেন্দ্র, থৌদাম দেবেন্দ্র মীওইশিং অসিনা মণিপুরী সিনেমাবু চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াবিরকখি। মতমসিদা মণিপুর ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ লিংখৎলকখি। মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ফেষ্টিভেল চহী ৩/৩ খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকলকই। লনাই সংস্থান খরা ফিলম সোসাইটি, সিনি ক্লব লিংখৎতুনা মপাল লমগী অফবা ফিলমশিং য়েংনবগী থৌরমশিং পায়খৎখি। ফিলম এপ্রিসিয়েসন, ইন্টরনেস্নেল ফিলম ফেষ্টিভেল কয়াদা ডেলিগেদ ওইনা চৎনবা হোৎনরকখি। সেমিনার, ৱার্কশোপ কয়া পাংথোকলকখি। মখল মখা কয়াগী থবকশিং লেপ্তুনা মণিপুরী সিনেমা চাউখৎনবা হোৎনরকখি। অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিদা ঐগ্যা ইবোহলনা বোর্ড মেম্বর ফাওবা ওইদুনা শরুক য়ারকখি। থবক খুদিংমক্তা য়াওরকখি, কৎথোকলকখি । অঙনবা মতম অদুদা অদুক য়াম্না নৈনরবসু ফিলমগী মরমদা খঙনরগসু মণিপুরী ফিলম পুথোকপগী চাংদি নেমখি। মশীঙ লীক্না পুথোকনরকখি।

**মেকিং ওফ ইমাগী নিংথেম** ঐগ্যা ইবোহল শর্ম্মগী অচৌবা ৱারী অমনি, নৈনবা য়াবা কয়ানি। মপাল লমগী মমিং লৈবা ফিলম ক্রিটিকশিংনা নৈনখিবা ৱাফম কয়াসু লৈরি। মখা তারকপা মহাক্কী ফিলম **শম্বল ৱাংমা** ইন্দিয়ান পনোরামগী ইনভাইদ ফংখিবা ফিলমনি। ঐগ্যা ইবোহল মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী নৈনরকপদা মরুওইবা মীশক অমনি। ঐখোয়না কাওথোকপা য়ারোইদবা কয়া লৈরি। মহাক্কী লন্নাই কলেক্সন ওইনা অরীবা দোকুমেন্টেসন কয়া লৈখি। মশাগী ওইনসু ফিল্মশিংদা ষ্টাইল,কন্সেফ, ফিলোসোফি, ট্রিটমেন্ট তোঙান্না লৈজৈ। টেক্নিকেলদা হেন্না খঙলকপা, নৈনরকপা ওইবনা মাইকৈ অদোমদা খরা হেন্না থৱায় য়াওবা মতাংসু লৈখি। মহাক্তি য়ারোই,ঙমলোই হায়গদ। য়ানবা তৌসি,ঙম্নবা হোৎনসি, ফংনবা থিসি,খঙনবা তমসি হায়গনবা মীশক্লি। মিৎতা অমুক্তং উখিবদা, চপ মান্ননা তৌবা ঙম্বা, পুথোক্লবগী ৱাখল লৈখি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মহাক অফবা ওর্গেনাইজর, সোসিয়েল ৱার্কর অমসুনি। থৱায় য়াওবা,কৎথোকপা ঙম্বা থৌনা অসি লৈবনা মশামক্কী ষ্টুডিওদা ফিলমগী পূনফম হৌফম ওইখিবনি।

ঙসি চাউখৎলবা মতম অসিদা, মরুওইনা লমদম অসিগী হৌরকলিবা নহা ওইরিবা ফিলম মেকরশিং, সিনিগোৱরশিং অমদি মসিগা মরী লৈননা চঙশিনবীরিবা পূম্নমক্তা, **এক্স ঐগ্যা ইবোহল** হায়বা মীশক অমনা মণিপুরী সিনেমাগীদমক হোৎনরম্বা কয়া অদু নীংশিংহন্নিংঙি। ঐগ্যা ইবোহল খক্তা নৎখিদে, লময়ানখিবা, মণিপুরী সিনেমাবু নুংশিবীবা, ৱাখল্লোন লৈবা ওঝাশিং অহল-লমন অইবা অইবী কয়া লৈখি। হৌজিকসু খরদি লৈরি। ময়াম অদুগী অপূনবা ৱাখল্লোন অদুনা পূন্না চৎমিন্নরগা শেমখিবা অঙনবা মতমগী ফিলমশিং ঙসি ফাওবা শীংথানরি। হৌজিক্না করীগী লাইরিক হৈরবা স্কোলার কয়ানা মতম অমা তৌনরম্বগুম মণিপুরী ফিলমদা মায়পুনরকখিদ্রিবনো? লাপ্না করিগী য়েংলিবনো ? খন্নবা চুম্মী।

মণিপুরী ফিলমগী ষ্টুডিও কয়া লৈরে। খঙ-হৈরবা কয়াসু লৈরে । অসুক চাউখৎলবা মতম অসিদা করিসু লৈত্রিঙৈগী মতমদা ঐগ্যা ইবোহলনা তৌজখিবা কয়া অদুবু কাওথোকপীবা চুমলিব্রা ? নোংমতসু মহাক্কী মরমদা অমদি মহাক্কুম্বা লময়ানবীখিবা অহল-লমন কয়াগী মরমদা মেমোরিয়েল লেকচর, সেমিনার অমত্তা পাংথোকপীদবসি কনাদা তাইনরুগদগে ? মখোয়না তৌখিবা হোৎনখিবা কয়াগী ৱারী-লীখুল হৌরক্লিবা নহারোলশিংদি খঙলরোই। মাঙলমচৎকী অহল-লমনশিংগা ঙসিগী মীরোলগা শমজিন্নদনা লৈরিবসি কনানা শমজিন্নবীগদগে। হৌরক্লিবা মীরোলদা তাইনবদি চুমলোই। হেন্না ফরক্লবা, হৌরকফম খঙনবা পুৱারীগী তাঙ্কক অমা থম্বীরম্বনা তুংগী খল্লগা অচূম্বা ওইগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# ইতাও থানচিনখুপ

## —নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

**কুইনা** চহী কয়া থেংনরুদ্রবা কোলেজগী ইতাও থানচিনখুপতু নহানদি অথেংবা অহিংদা বজারদা কোক থেংনরুরে। কয়াদি নুংশিরে ইতাওদো। মবুকচেল শেংখ্রবা, চমখ্রবা, চীংমী ওইরবসু অসুক্কী মতিক নুংশিবা ইতাওনি। কোলেজ তম্মীন্নরিঙৈদা মহাক হোষ্টেল অমদা লৈরম্মী। মাগী ঐগী হায়বা খাইবা ইতাও নত্তে। য়ূমদগী চাক চাবা ফরক তাবা নুমিত্তা মাগী হোষ্টেলদা চৎলগা মাগী চাক শরুক্তু ইবানি চামিন্নখি। ঐগী য়ূমদসু নোংফাদোক চামীন্নে। কা হেন্না মাগী মতেং ঐনা পাঙবদি ঙমখিদে। কোলেজ লোইরবা মতুংদগীদি ইতাওদো থেংনখিদ্রে। মরক মরক্তা পাউ খজিক ফাওনবা নত্তনা মরী তৎনখ্রবনি। নুমিৎ খরগী মতুংদগীদি মাগা ঐগা শুকথেং থেংনখিদ্রে। ঐবুদি গভর্ণমেন্টকী থবক অমা উচিন নাচিন্না লৈহৌবদগী ফংহৌখি। ইতাওদুদি মদুগী খুদোংচাবা ফংবা ঙমখিদে।

নহান ঐসু হোবে-হোবে থবক অমা চৎলুবদগী অহিং পুং ১১ মুক খরা হেল্লকপা অদুদা পাউনা বজার ফাওদুনা লাকপনি। কৈশাম্পাৎকী থোং মখোং অদুৱাইদা ইতাওদু মখোঙনা চৎলম্মী। ঐনা উখিবা মী অমা মাল্লি হায়দুনা হন্না য়েংলুবদা ইতাও থানচিনখুপ ওইরম্মী।

‘ইতাও থানচিনখুপ নৎত্রো?’ চিংননা হংলুবনি। মাদি ঐবু পাক লাকশিনবা ঙমদবদি মাল্লি। অদুবু তাখিবা খোঙ্জেল ওইবনা ঐবু নীংশিংলমাল্লে।

‘ইহ! ইতাও মানিনে’ ইবানি চেৎনা কোন্নে। কয়া নুংশি, ঐদি কাইদৈনো খঙদে মিৎতা পি তারম্মী, মাসু মপি তামালে, হরাউবগীনি, নুংঙাইবগীনি।

‘কদাই চৎলুবনো ইতাও, হৌজিক করি করি তৌরি?’

‘ইতাও ঐদি য়াম ৱাইদা, থবকসু তৌদে, খুনগী থবক খরা চেল্লি। পামদা লৌ উবা, অতৈ অফংবা থবক খরা শুবা নত্তনা কৈসু তৌদেদা’ অরোইবা ৱাহৈদু মখোন নীকলপ তৌরকই।

‘ইতাও হৌজিকপু কায় চৎলুবনো, অসুক থেংলকানসিদা, কাইদা চৎতুইনো?’

‘ঐখোয় খুনগী মী খরা ইম্ফালদা উনবা লাকপনি, থেংখ্রে ঐগী ইতৌসিদা পুলিসনা করি খল্লুরবনো খঙদে, ঙসাইদগী ফাদুনা কুইনা ৱা হংই, মচি অমদা ফমহল্লগা হৌজিক্তা থাদোরক্লিবসিনি, ইতাও ইম্ফালসিদি য়াম্না হোংলম্মে, ঐসু লাক্তবা য়াম্না কুইরে, লম্বীসু নিংথি নুংঙাইনা খঙদ্রে। মীসু য়াম্না ফরমদ্রেদা ইতাও?’ ইতাওদো ৱারৌবা মান্না হায়রকই। মাগী ৱাদু তাবদা ঐ য়াম নুংঙাইতে।

‘ইতাও, অনৌবা লৈঙাক্না চীংমীগী য়াইফনবা থবক য়াম্না তৌরে, খুদোংচাদবা অমত্তা লৈহল্লোই হায়না তাই, চীফ মিনিষ্টনসু চীংমীশিং উনদুনা মখোয়গী ৱা তাবিরে হায়না তাবদা ৱাখল চাউনা লাকপনি। অদুগা অহিং অমফাওবা লৈফম লৈরমদে, পুলিসশিংনা চীংমীনি অরাপ্পদগী লাকপনি হায়বা খঙনা খঙনা য়াম্না ওৎপীরেদা ইতাও, মখোয়না শিনবীদুনা চীংমীগী ফনবা তৌগদ্রা হায়রগা তৌরিসিনি, হাহাহা ইতাও ফনা হায়বা হায়দুনি, মণিপুরগী মীশিংসিদি ঐঙোন্দগী হৌরগা য়াম্না ফৎত্রেদা।”

‘ইতাও লাকও, ঐসু থবক অমা চৎলুবনি, ইতাও মানমন্দুনা য়েংলম্বনি, ঐখোয়দা চৎসি’

‘য়ারেদা ইতাও’

‘য়ারোইয়ে, ইতাওবু হৌজিক কদাইদা লৈদুইনো?’

‘পার্কিংদা দুকান অমগী মমাঙদা লৈরগে, অদুগা হয়েংগী বস তোংলগা হনখ্রগে’

‘ইতাও অদুম্না হায়গনু, লাও চৎসি, উনদবসু কুইরে, ঐখোয়দা চৎসি’ নমদুনা ঐনা ঐগী ইতাওদু ঐগী গাড়ী মচাদুগী মনিংদা তোংহল্লগা য়ূমদা পুরক্লে। ইতাওদু খরদি হঙ্গৈইবা মাল্লি, শাংলবা লম্বীদু ৱা অমত্তা হৌদোরক্তে। অদুম তুমিন্না তোংদুনা লাকমিন্নে। ঐনা ৱারী হৌরুবদা খরা খুম্মকপা নত্তনা ৱা অমতা হায়রক্তে।

অহিংদুদা য়ূম হেক য়ৌবগা শৌগ্রি থোংই হায়দুনা তৌরম্মী। য়েরুম লৈরিব্রা হৌরকউ হায়না ঐগী নুপীদা য়েরুম হৌহন্দুনা ইবানি চামিন্নে। কয়া হাওই। ইতাও ইবানি, চাও চাও হায়না য়েংনা য়েংনরগা চামিন্নবদো।

‘ইতাও, মীতৈনা থোংলবদি এঞ্জাংসি হেক্তা হাওইদা’ ইতাওদু পেন্না নোকচখি। ইতাওগা ঐগা লৈবাক্তা খুদক্তা ফী থাদুনা কয়া নুংঙাইনা হিপমিন্নরে। ইতাওগা ঐগদো অহিং চুপ্পা ৱারী শান্নে। ৱারীদু ঐগী নুপীসু য়াওনা তাই। চীংগী ৱারী কয়া লীহল্লি। ইতাওনসু চীংগী খুদোংচাদবা লম্বী থোং অমদি অতৈ হীরম কয়াগী ৱারী লীরি। নোংঙানগদৌরে, ঙাইহাক্তা তূমসি হায়না তূমিন্নরে।

এঞ্জাং অহাওবা অমা চামিন্নদবা য়ারোই হায়না ঐগী নুপীনা ইচানুপাদা য়েনগোন্দগী য়েনলাবা অমা শেমহল্লগা থোংলগা চামিন্নে। লোইরগা ইতাওবু ঐনা বস পার্কিং ফাওবা থিল্লগা, ইতাও হনখি। ইতাও ইবানি খূৎ হায়নদুনা কায়নরে।

চীংগী লায়রবা মীয়াম্না ইম্ফালদা অহিং অমা লেক্লবগী খুদোংচাবা লৈত্রিবা অসিগী খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইতে। গভর্ণমেন্ট অসিনা হিল গেষ্ট হাওস অমা মফম চাবা অমদা শাহন্নীংই। কমাইনা হায়রগা ওইথোক্কদবনো খঙদ্রে।

# অমমাগী চেন্নাই, টামিল নাদু



***জান্যুৱারী ৬, ২০১৭*** অনৌবা কুমজা অমা হৌখিবগী চহী ফনা য়াম্না লৈশিল্লবসু পূক্নিংদি ইনৌতা নৌবোই খল্লি। চেন্নাই চৎপগী খোঙচৎ অদুগী অহৌবা ওইনা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা চৎমিন্নগদৌবা খোঙলোই ময়ামগা থুংলুই। এয়রপোর্টতা থুংবগা কুইনা উনখিদ্রবী মরুপ অমা নীংশিংলকই। মফমদুদা থবক তৌবিনি। মমাঙঙৈদদি মণিপুরগী মপান্দা চৎপা খোঙচৎ খুদিং মাগা উনদুনা, কোফি থকমিন্নদুনা পুন্সিগী অৱা নুংঙাই ৱারী কয়া শান্নখিবদু ঙসিদি উনবা ফংদ্রে। মরমদি ঈ-পাউ ফাওনখিদবা চহী ফনা য়াল্লে। মমিং পন্দুনা মফমদুদা থবক তৌরিবশিংদা হংলুরবদি উনবসু য়াই। মদুসু তৌরুদ্রে। উনবা-কায়নবা পুন্সি খোঙচৎনি। কায়নবসি য়াল্লে। ঐবু পোকপী ইমা, অপোকপা ইপা ফাওবা কায়নরবসিদা। অমত্তসু খাম্বা ঙমহৌদে।

ইন্দিগো ফ্লাইট অদু পুং ২ রোম থেংবনা কোলকটা য়ৌবদু নুমিৎ তাগদৌরে। কোলকটা এয়রপোর্ট মতমগা চুনবা মঙংদা য়াম্না শেমদোক শাদোক্লল্লে। ৱেটিং লোঞ্জদা বার ফাওবা লৈরমই। ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর, বিয়র অমদি অতৈ মখল মখাগী দ্রিঙ্কশিং মরাং কায়না ফংই। হাউরাদগী চেন্নাই য়ৌগদবা ত্রেন নুমিদাংগী পুং ১১ তাবদা তোংগদবনা মতম য়াম্না শাংনা ফংবনা, মতম অমদা ঐনা থবক তৌরম্বা মফম - গোরা বজার, দম-দম কেনতোন্টমেন্টতা মরুপ ইন্দ্রকুমারগা লোয়ননা টেক্সি তোংলগা চৎলি। মফম অদুদনি ঐগী পুন্সিগী য়াম্না মরু ওইবা তাঙ্কক অমা হৌখিবদু, য়ু থকপসু হৈখি। গোরা বজার, কোলকটা সিটিনা ঐবু ইনিংবগী ইথিল অমা চাউনা পীখি, ইবসু ইহনখি। অদুবু মতম অমদা ঐগা থবক তৌমিন্নরম্বা মরুপ মপাংশিং অমত্তা উনবা ফংদ্রে- থবক পোথানখিবা নৎত্রগা থবক মফম হোংনখিবা। কায়নবগী কায়নবা ঙাক্তা ওইরল্লে। দম-দম কেনটোন্টমেন্ট রেল জঙ্কসন মনাক্তা পান দুকান ফম্বা বিহারি মচা ভোলাদদি উনরকই। ঐবু উবমক্তদা ঐবু কোল্লগা খজাইদা চূপলকই।

উনগে খন্না চৎলুবা, উনদনা অমুক হল্লক্লে কোলকটা এয়রপোর্টতা। মরুপ মপাংশিংদুগা লোয়ননা ভোলভো বস তোংদুনা অমুক চৎলে হাউরা রেল ষ্টেসন তম্না। ভোলভো বস - ইরমদমদসু ফনা য়াম্না লৈখিবনি। অদুবু নোংমতা তোংবা ফংখিদে। মরমদি তোংবীনবা মী লৈতে হায়দুনা কয়া শীজিন্নখিদে, চাংয়েং ওইনা নুমিৎ খরদি থৌখিমাল্লে। জীপ-কার, মোটোর বাইক, স্কুটরনা ক্রিক-ক্রিক ইন্ননা লৈরবা চীংলৈবাক মচানি, ভোলভো বসকী মথৌ তাদে। অদুদি করিগী লৈরুরিবা? লৈরুবগী অচৌবা মরম অমদি লৈরমগনি।

হাউরা রেলৱে ষ্টেসন য়ৌরমদাই, হাউরা ব্রিদজ মথক্তা ঐখোয়না তোংলিবা ভোলভো বসতুনা য়ৌরকপদনি পূক্নিং খঙনুং নুংশিরকপা। চহী তরেৎকী মমাঙ, ঐনা কোলকটাদা লৈরিঙৈ - নোংমদি ঐ হুগলি তুরেলদা ষ্টিমর তোংদুনা চৎখি। হাউরা ব্রিদজগী অঙকপা শক্তমদু উবা ফংখি হুগলিগী ঈমায়থক্তগী।

চৎমিন্নরিবসি নুপী অনী থারগা ঐখোয় মী নিপাননি। বোগী অমত্তা ওইরবসু ফমফমদি মচোয় মচোয়নি। ইন্দিয়ান রেলৱেজ, ফীভম য়াম্না ফগৎলল্লে হায়বা য়াই। অহিং অনী লেপ্তুনা তোংলিবা মীয়ামদুনা, চাবা থকপা তৌবগী হুন্দোরকপা অরেম অখাক ময়ামদু রেলৱেজদা থবক তৌবা শিন্মীশিংনা মরক মরক্তা শেংদোক্লে। মহিক মতাই শিনবা দিটোল স্প্রে কাপই। মমাঙঙৈগী খোঙচৎ খরদদি শেল নীবা, মোত্তাই চুদাইনবা, দিসএবল ওইরবা খরনা শুমচিৎ মতৎ পায়রগা মরক মরক্তা শেংদোক্লগা কায়নথংদা শেল নীবা। মদুমক্তি উদ্রে, থেংনদ্রে। অদুবু অঙকপা অহোংবা লৈতবা অমদি - টিকেত্তি পায়রগা ফমফমদি ফংদবা, রিজার্ভ টিকেট, নন রিজার্ভ টিকে? মসিগী ৱাহন্থোক খঙলবসু ঐ তশেংনা চমন্নে। রেলগী মশীং য়াল্লবা বোগীশিংদা লৈরিবা ফমফম, হিপফম মশীংগা চান্নবা টিকেটতমক থাবদি কমদৌবা? কনাগুম্বা খরদি ঐখোয়গী রিজার্ভ সিটতুগী মতায়দা ফম্লবসু য়াওই, করিসু ৱাহং পাউহংদনা। চহী মীয়ায় চল্লবী চীংলেম্বী নুপী অমখক্তি মখাদা ফি অমা থারগা ফম্বদু উবদা ঐনা খূৎ খত্তুনা কৌরগা ঐখোয়গা ফম্মিন্নসি হায়বদা হরাউ হরাউ চঙলক্লগা ফমলৈ। লোলদি ফাওনদ্রে। মানা ঙাঙলিবদু টেলেগু নৎত্রগনা টামিল ওইরম্বা য়াই। রেলগী থোংনাওদগী লাপনা উরিবা মুৎশি-মুৎশিরবা মৈঙালদা লৈহৌরিবা খুঙ্গং মচা মচা ময়ামদো। করিগুম্বদসু থেংনৈ অচৌ অচৌবা সিটিশিং। ফুরা দোলান ৱাংল-ৱাংলবা। খুঙ্গং ওইগেরা সিটি ওইগেরা, লৈরমগদৌবদি মী ঙাক্তনি।

তাং ৮ গী অয়ূক মল্লি মল্লি তৌবদা চেন্নাই সেন্ত্রেল রেল ষ্টেসন্দা থুংলে। চহী ২৮ গী মমাঙ, কুমজা ১৯৮৯ দা ঙসি চৎলিবা বেঙ্কতা থবক তৌবা শিন্মীশিংগী অপূনবা মীফম অমা য়াওবা চৎখিবদু নীংশিংলকই। হোংবদি য়াম্না হোংলল্লে। মেরিনা বিচকা নক্ননা লৈবা ত্রিপ্রিকেন্ট রোদতা পংচাউ চাউদবা হোটেল অমদা ঐখোয় নুপাশিংগী লৈফম শিনবীরমই, চৎমিন্নরিবা নুপীশিংগীনা খরা লাপথোক্না লৈবা হোটেল অমদা।

লাক্লিবা শাংলবা খোঙচৎ অসি - ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা বেঙ্কতা থবক তৌবা থৌমীশিং - মশা মশাগী অচিনবা কয়া তুংওইনরল্লগা লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফীভম ফগৎনবা, থৌমীশিংগী সার্ভিস কন্দিসন, লৌউ-শিংউবগা মরী লৈননা মতিক চাবা শেন্থং পীথবা, কোর্পোরেট হাওসশিংদা পীথখিবা শিংগৎত্রবা লুপা ক্রোর-ক্রোরনা খুজিং ওইবা মীয়ামগী শেল শিংদোকহনবা অমদি অতৈ চাওখৎ থৌরাংগী মরমদা নুমিৎ মরিনি চঙনা খন্নবা অদু য়াওবা লাক্লবনি। কোর্পোরেটর হাওসনা লোন শিংদবা, মদুসু লুপা ক্রোর ক্রোরনি। কিং ফিশরগী মপূ বিজয় মালিয়াদা বেঙ্ক খরগী লুপা ক্রোর ৯০০০ হেন্না তোনবদগী হৌজিক হৌজিক লন্দন্দা মীচেন ওইনা লৈরি।

য়াম্না অঙকপা থৌদোক অমনা, মমাঙদসু কয়ারক পাউদম্নখ্রে। অসুক লুবা লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী অখঙ অহৈ ময়াম অমা য়াওনা নুমিৎ মরিনি চূপ্না খন্নখিবদু, নেসনল পেপরশিংনা নিংথি-নুংঙাইনা কোভর তৌখিদবা অদুনি। কনাগুম্বা মতিক ময়াই লৈবা মীশক অমগী মচানুপী লুহোংবগী থৌরম নৎত্রগা মশুনুপী অমা ফংবগীদি - ফ্রন্ট পেজদা কলর ফোটোগা লোয়ননা মরীক চুম্না ফোঙলক্কনি। মরম হায়ববু বেঙ্ককী এসোসিয়েসন অমদি থৌমীশিং - কোর্পোরেট হাওসিং, মীয়ামগী শেল লুট তৌবশিংগী মায়োক্তা লৈ। নেসনল পেপরশিংগী মপুসু কোর্পোরেট হাওসশিংনি। করম্নদি পাউদু ফোঙনীংগদৌরিবা।

-মথং-মথং

*-ৱাংখৈময়ূম নোদিয়া*